৮শুবা হোকি ইন্দিয়া সেনিয়র মেন্স নেসনল চেম্পিয়নশিপ বি দিভিজন ২০১৮

# হোকি হিমাচল, পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ক, দেল্লি হোকি, হোকি কোর্গ অমসুং সেন্ত্রেল সেক্রেটেরিএট মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১১ (ঐচএনএস): হোকি ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর হোকিনা শিল্লগা হৌখিবা জন্যুৱারী ৭তগী হৌদুনা খুমন লম্পাক্কী হোকি ষ্টেদিয়ম অমসুং সাই এন ঈ আর সী হোকি এষ্ট্রো টর্ফতা চত্থরিবা ৮শুবা হোকি ইন্দিয়া সেনিয়র মেন্স নেসনল চেম্পিয়নশিপ বি দিভিজন ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা হোকি হিমাচল, পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ক, দেল্লি হোকি, হোকি কোর্গ অমসুং সেন্ত্রেল সেক্রেটেরিএট মায় পাকখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ৫নি চনবা নুমিৎকী ওইনা পুন্না মেচ ৫ শান্নখি। চেম্পিয়নশিপ অসিগী ২৩শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৭.৩০ তাবদগী পুল এফকী হোকি হিমাচল অমসুং কেরলা হোকি শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। মেচ লোইশিল্লকপদা হোকি হিমাচলনা কেরলা হোকিবু গোল ৩-২দা মায়থীবা পীখি।

হোকি হিমাচলগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ রাম নাওর্ভিনা মেচকী ৫৩শুবা মিনিট অমসুং ৫৬শুবা মিনিটতা গোল ২ চনখি। অদুগা জর্সি নম্বর ৫ অরমান্না মেচকী ৬০শুবা মিনিটতা গোল অমা চনখি। মায়থীহৌরবা কেরলা হোকিগী গোল অনী অদুনা জর্সি নম্বর ১০ দি সরংনা মেচকী ১১শুবা মিনিট অমসুং জর্সি নম্বর ৭ মুরালিধরন বিনিটনা মেচকী ৪১শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখিবনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ২৪শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৯ তাবদগী পুল এফকী পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ক অমসুং হোকি মৈধ্যা ভারত শান্নখি। মেচ অদু পঞ্জাব নেসনল বেঙ্কনা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা লাকচনা শান্নখিবনা হোকি মৈধ্যা ভারতপু গোল ৯-০দা মায়থীবা পীখিবনি।

পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ককী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২৩ মোর পারদিপনা মেচকী ৮শুবা মিনিট, জর্সি নম্বর ৬ গগনদিপনা মেচকী ২৮শুবা মিনিট, জর্সি নম্বর ২০ টোপো সুমিটনা মেচকী ৩৫শুবা মিনিট, জর্সি নম্বর ২১ দলাল সটেন্দরনা মেচকী ৩৯শুবা মিনিট, জর্সি নম্বর ১৪ গুরসিমরন্না মেচকী ৪৩শুবা মিনিট, জর্সি নম্বর ২৪ অন্টিল নবিন্না মেচকী ৪৪শুবা মিনিট অমসুং জর্সি নম্বর ১৮ সঞ্জেনা মেচকী ৬০শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি। অদুগা অতোপ্পা গোল অনী অদুনা টিম অসিগী কেপ্তেনসু ওইরিবা জর্সি নম্বর ১৭ গগনদিপ এস আরনা মেচকী ১৫শুবা অমসুং ১৭শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ২৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি হোকি মহারাষ্ট্রা অমসুং হোকি রাজস্থান লাক্তবদগী। অদুবু হোকি মহারাষ্ট্রা লাক্তবদগী হোকি রাজস্থান্না ৱর্ক ওভর ফংখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ২৬শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ১১ তাবদগী দেল্লি হোকি অমসুং মেজর পোর্ট স্পোর্টস কন্ত্রোল বোর্দ শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। মেচকী অপীবা মতম লোইশিল্লকপদা দেল্লি হোকিনা মেজর পোর্ট স্পোর্টস কন্ত্রোল বোর্দপু গোল ৩-২দা মায়থীবা পীখিবনি। দেল্লি হোকিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৫ অমিটনা মেচকী ২২শুবা মিনিট, জর্সি নম্বর ১৪ শর্ম্মমুকুলনা মেচকী ২৮শুবা মিনিট অমসুং জর্সি নম্বর ৯ চৌহান পৱন্না মেচকী ৪৪শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখিবনি। অদুগা মেজর পোর্ট স্পোর্টস কন্ত্রোল বোর্দকী গোল অনী অদুনা জর্সি নম্বর ১১ পিরৈলা লিওনার্টনা মেচকী ৬শুবা মিনিট অমসুং জর্সি নম্বর ৯ হেক আইনুলনা মেচকী ১৫শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ২৭শুবা মেচতনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবদগী হোকি কোর্গ অমসুং হোকি জম্মু এন্দ কাশ্মীর শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। মেচকী মতম লোইশিল্লকপদা হোকি কোর্গনা হোকি জম্মু এন্দ কাশ্মীরবু গোল ৬-৪দা মায়থীবা পীখিবনি।

হোকি কোর্গকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৫ আর পুনিটনা মেচকী ৫শুবা মিনিটতা গোল ১, জর্সি নম্বর ৯ পুভনা আই এনা মেচকী ৬শুবা মিনিট অমসুং ৫৩শুবা মিনিটতা গোল ২, জর্সি নম্বর ১৪ মুটাগর হরিসনা মেচকী ৯শুবা মিনিট, জর্সি নম্বর ৪ লোখন্দে রাহুল আরনা মেচকী ১৫শুবা মিনিট অমসুং ৫২শুবা মিনিটতা গোল অনী চনখিবনি। মায়থীহৌরবা হোকি জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী গোলশিং অদুনা টিম অসিগী কেপ্তেন ওইরিবা জর্সি নম্বর ৩ জসপ্রিটনা মেচকী ২৯শুবা মিনিট অমসুং ৪০শুবা মিনিটতা গোল ২ চনখি। অদুগা জর্সি নম্বর ১৩ শর্ম্মমনিকনা মেচকী ৩৮শুবা মিনিট অমসুং জর্সি নম্বর ৮ প্রবজোটনা মেচকী ৫৯শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখিবনি।

চেম্পয়নশিপ অসিগী ২৮শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদগী সেন্ত্রেল সেক্রেটরিএট অমসুং টেলঙ্গনা হোকি শান্নখি। টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নরবসু মেচ লোইশিল্লকপদা সেন্ত্রেল সেক্রেটরিএটনা টেলঙ্গনা হোকিবু গোল ৮-৩দা মায়থীবা পীখি। সেন্ত্রেল সেক্রেটরিএটকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২৮ সঙ্কর সিদার্থনা মেচকী ৩শুবা মিনিট অমসুং ৪৮শুবা মিনিটতা গোল ২, জর্সি নম্বর ৯ এস কুলিয়ান্দা থিমন্নানা মেচকী ৭শুবা মিনিট অমসুং ১৪শুবা মিনিটতা গোল ২, জর্সি নম্বর ১০ য়াদব জয়েসনা মেচকী ৩৩শুবা মিনিট, ৪৬শুবা মিনিট অমসুং ৫৮শুবা মিনিটতা গোল ৩ অমসুং জর্সি নম্বর ২৭ যাদব ধরন্বীনা মেচকী ৩৫শুবা মিনিটতা গোল অমা চনখিবনি। মায়থীহৌরবা টেলঙ্গনা হোকিগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১২ বোদিগম রামকৃষ্ণননা মেচকী ৪শুবা মিনিট, জর্সি নম্বর ১০ বোনাটু অরাবিন্না মেচকী ১১শুবা মিনিট অমসুং জর্সি নম্বর ৬ বুরা অভিমৈন্যু য়াদবনা মেচকী ৪৯শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখিবনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ২৯শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল বেঙ্গোল হোকি এসোসিএসন অমসুং হোকি উত্তরখণ্ডনা শান্নগদবা মেচ অদু খুদোংচাদবা খরদগী য়ৈথোকখ্রে।

পনবা য়াবদি, মণিপুরনা য়ূম্বু ওইরগা চত্থরিবা ৮শুবা হোকি ইন্দিয়া সেনিয়র মেন্স নেসনল চেম্পিয়নশিপ বি দিভিজন ২০১৮গী ঙরাং শান্নখিবা পুল দিগী মেচতা মণিপুর হোকিনা গুজরাটপু গোল ২৮-১দা মায়থীবা পীখিবনি। মেচ অদু চাউনা মায় পাকপা ঙমখিবদা নত্তনা মণিপুরনা হৌজিক ফাওবদা চত্থরক্লিবা চেম্পিয়নশিপ অসিগী মেচশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী গোল মশীং য়াম্না চল্লগা মায় পাকপা ঙম্বগী রেকোর্দ থমখিবনি। মণিপুর হোকিনা হৌজিক ফাওবদা পীরিবা পার্ফোমেন্স অসি মখা তানা মপূং ফানা পীবা ঙমগদ্রা হায়বা নৎত্রগা ঙমলোইদ্রা হায়বদু য়েংমিন্নবা তারি।

## মণিপুর টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১১ (ঐচএনএস) : কোলকটাগী নেটাজি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা জন্যুৱারী ১৩ অমসুং ১৪দা পাঙথোক্কদবা কে এ আই সেনিয়র নেসনল করটে চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে। মণিপুরগী টিমদা য়াওরিবা করাটেকাশিং অদুদি কুমিটে মশান্নগী ওইনা নুপীগী কেজি ৪৫ মখাদা কে ঐচ সরজুবলা, কেজি ৫০গী মখাদা বৃন্দালি, কেজি ৫৫গী মখাদা এস পুজা, কেজি ৬৮গী মথক্তা সমিতানি। নুপাগীদনা কেজি ৫০ মখাদা এন বিনোদকুমার, কেজি ৫৫ মখাদা এম দি অমিরখান, কেজি ৬০ মখাদা দব্লিয়ু অনিলকুমার, কেজি ৬৭ মখাদা এ জোনসন, কেজি ৭৫ মখাদা এল সঞ্জিভ, কেজি ৮৪ মখাদা এম দি অমির খান অমসুং কেজি ৮৪ মথক্তা এম দি টরিফ অলিনি। অদুগা কাটাগীদনা এন সৈত্যজিৎনি। মণিপুর টিমগী ওফিসিএলশিং অদুনা দেলিগেট ওইনা কিরনকুমার থাংজম, টিম কোচ ওইনা সোইবম চন্দ্রিমা চনু, রেফ্রি ওইনা মুতুম বঙ্কিম, এম দি টলা অহমদ অমসুং টি ঐচ ইবুংঙোচৌবনি।



HL-B/4214/15/11-14/12

১২শুবা সর্টি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

# ভেটৰানগীদা মোন্সাং পন্থা, নুপাগীদা লিৱাসারৈ-এ অমসুং নুপীগীদনা মোন্সাং পন্থা-এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১১ (ঐচএনএস) : সর্টি ওলেম্পিক এসোসিএসন (এস এ ও) না শিল্লগা লিৱাসারৈ প্লে গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১২শুবা সর্টি (এস আই আর টি আই) ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ভেটরানগীদা মোন্সাং পন্থা, নুপাগীদা লিৱা সারৈ-এ অমসুং নুপীগীদনা মোন্সাং পন্থা-এ মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়ারগা পাঙথোক্লিবা ১২শুবা সর্টি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ভেটরানগী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৪৮ তাবদগী মোন্সাং পন্থা অমসুং লিৱা চনিং শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ১৭শুবা মিনিটতা মোন্সাং পন্থাগী জর্সি নম্বর ৮ টি ঐচ জিতেন্না গোল অমা চন্দুনা মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাহনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী ৪৬শুবা মিনিটতা অমুক মোন্সাং পন্থাগী জর্সি নম্বর ১১ টি এস ৱার্সিংনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। মেচকী ৫৪শুবা মিনিটতা লিৱা চনিংগী জর্সি নম্বর ৬ এন জি বিহারিনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু গোল ১-২দা লৈহনখি। অদুবু মেচকী ৬৩শুবা মিনিটতা অমুক মোন্সাং পন্থাগী জর্সি নম্বর ৭ কে ঐচ অগষ্টাইন্না গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ৩-১দা মাঙজিল থাহনখি। মোন্সাং পন্থানা হেন্দুনা চৎলিবা গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা লিৱা চজিং মায়থীহৌখি। অদুগা মোন্সাং পন্থানা মেচ অদু গোল ৩-১দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মেন্স ওপনগী অহুমশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.০৭ তাবদগী লিৱাসারৈ-এ অমসুং মোন্সাং পন্থা-সী শান্নখি। মেচ অদু লিৱাসারৈ-এনা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা লাকচনা শান্নখিবদা নত্তনা মোন্সাং পন্থা-সীবু গোল ৬-০দা মায়থীবা পীখি। লিৱাসারৈ-এগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৩ জাজো হায়পিয়ানা মেচকী অহানবা মিনিট অমসুং জর্সি নম্বর ১০ এস ঐচ জোয়ফাসিংনা মেচকী ১৮শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি। অদুগা জর্সি নম্বর ১৭ আর মিটচেলনা মেচকী ২২শুবা, ৩৩শুবা, ৫৭শুবা অমসুং ৬৭শুবা মিনিটতা গোল ৪ চন্দুনা হেটৈত্রিক ফংখি।

ৱিমেন্সকী অনীশুবা মেচ ওইনা মোন্সাং পন্থা-এ অমসুং চংনী শান্নখি। মেচ অদু মোন্সাং পন্থা-এনা লাকচরপ তৌনা শান্নখি। অহানবা হাফতা গোল অমা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতসু গোল অমা চনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা মোন্সাং পন্থা-এনা মাঙজিল থারিবা গোলশিং অদুগী মনুংদা গোল অমা ফাওবা চংনীনা হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ লোইশিল্লকপদা মোন্সাং পন্থা-এনা চংনীবু গোল ২-০দা মায়থীবা পীখি। মোন্সাং পন্থা-এগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ এস ঐচ দেলিয়ানা মেচকী ২৬শুবা মিনিট অমসুং জর্সি নম্বর ১১ এস ঐচ অলিসানা মেচকী ৪৮শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখিবনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৬৩

১) মহাক জপান্দা লৈখিদে। মহাক্কী নুপীবু ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমগী গভর্ণর ওইহনখি। মহাক্কী মমিংদা ইন্দিয়াদা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা হৌজিকসু পাঙথোক্লি। মদুদা মীরৈবাক্তগী স্কুলশিংসু শরুক য়ারি। নুপা অদুগী মমিং পীয়ু।

২) চহী অমদা বেদমিন্টন সুপর সেরিজ মরিরক থোইবা ঙম্বা শান্নরোয়শিংদু কনা কনানো?

৩) মখাদা পীরিবশিং অসিগী মনুংদা শান্নরোয় অমদি অতৈদগী খেন্নৈ। মহাক্কী মমিং অমদি মহাক্না শরুক য়াবা মশান্না অদু হায়য়ু। (১) খাঙেম্বম জয় সিংহ (২) লাইশ্রম নবকুমার সিংহ (৩) হুইরোংবম মনিহার সিংহ (৪) লৌরেম্বম শ্যামা সিংহ (৫) সলাম মনি সিংহ।



৪) অহানবা লাঞ্জাউ মমাঙদা মহাক টেষ্ট মেচ মরিদা ৱিকেট ৪৬ লৌবা ঙমদুনা রেকোর্দ থম্বা ঙম্বা বোলরনি। মহাক্কী মমীং করি কৌবগে?

৫) পীরিবা শক্তম অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জান্যুৱারী ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

২শুবা ঐচ বিরো এন্দ ঐচ ব্রোজেন মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# এ কে এস এ ক্বাক্তা অমসুং টবসফা তৌবুংখোক মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১১ (ঐচএনএস) : ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিএসন (অমোফা) একাদেমি মোইরাংনা শিল্লগা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দদা ঙরাংদগী হৌদুনা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা ঐচ বিরো এন্দ ঐচ ব্রোজেন মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৫ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এ কে এস এ ক্বাক্তা অমসুং টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমি (টবসফা) তৌবুংখোক মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়ারগা গ্রুপ মরি থোক্না খায়দোক্লগা চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.২৫ তাবদগী টবসফা তৌবুংখোক অমসুং এম পি আই আই ৱাই এ মোইরাং শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টবসফানা লাকচরপ তৌনা শান্নখি। অহানবা হাফতা টবসফানা গোল ৪-০দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং মেচ লোইশিল্লকপদা টবসফানা এম পি আই আই ৱাই এবু গোল ৯-০দা মায়থীবা পীখি। টবসফাগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৫ এম ইংসন্না মেচকী ২১শুবা মিনিট, জর্সি নম্বর ১৯ ঐচ বিকাসনা মেচকী ২৩শুবা মিনিট, জর্সি নম্বর ১০ এল খেলজিৎনা মেচকী ৩০ প্লস ৱান চৎপা মিনিট, জর্সি নম্বর ১৭ এল অজিৎনা মেচকী ৩৬শুবা মিনিট, জর্সি নম্বর ৯ মাইকেলনা মেচকী ৪৪শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি। অদুগা জর্সি নম্বর ৮ পি ঐচ জেক্সন্না মেচকী ২৯শুবা মিনিট অমসুং ৪০শুবা মিনিট অমদি জর্সি নম্বর ১১ পি ঐচ রুসতম্না মেচকী ৪৪শুবা মিনিট অমসুং ৫৮শুবা মিনিটতা গোল ২/২ চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদগী অমোফা একাদেমি-বি অমসুং এ কে এস এ ক্বাক্তা শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফতা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লাকখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফকী ৪৪শুবা মিনিটতা এ কে এস এগী জর্সি নম্বর ১৭ এম দি অবদুল শাহানা গোল অমা চনখি। গোল অদুনা এ কে এস এবু মাঙজিল থাহনখিবদা নত্তনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। এ কে এস এগী গোল অদু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমদবদগী অমোফা একাদেমি বি মায়থীহৌখি। অদুগা এ কে এস এ ক্বাক্তানা গোল ১-০দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা হয়েংগী অহানবা মেচতা জি দি সী-বি থিনুঙ্গৈ অমসুং টি ৱাই দি এ তৌবুল শান্নগনি। অতোপ্পা মেচ অমদনা য়ু এফ সী উরিপোক অমসুং অমোফা একাদেমি-এ শান্নগনি।

পল্লু নহাক্কী পান



# নহাক্কী ইনকম টেক্স ক্রেদিট হৌজিক

## @ য়াম্না নক্না নহাক্কী নখূৎতা লৈরে

## ইনকম টেক্স ক্রেদিট ষ্টেটমেন্ট ২৬ এ এস - টেক্সপেয়রশিংদা পীবা এদভাইজরি

২৬ এ এস ষ্টেটমেন্টতা রিফন্দ, হায় ভেল্যু ত্রাঞ্জেক্সনশিং অমসুং টি দি এস দিফোল্টশিংগী ইনফোর্মেসনগা লোয়ননা আই টি আরদা ক্লেম তৌনবগীদমক্তা টেক্সপেয়রদা ফংহল্লিবা এদভান্স টেক্স, সেল্ফ এসেসমেন্ট টেক্স, রেগুলর এসেসমেন্ট টেক্স, টি দি এস, টি সী এস ক্রেদিটশিংগা মরী লৈনবা ইনফোর্মেসন য়াওই।

**টেক্সপেয়রনা মখাগীশিংসিগী মনুংদা অমদা লোগ ওন তৌদুনা ফোর্ম নম্বর ২৬ এ এস য়েংবা/দাউনলোদ তৌবা য়াই :**

i. ওথোরাইজ বেঙ্ক অমদা লৈবা টেক্সপেয়রগী ওনলাইন নেট বেঙ্কিং একাউন্ট;

ii. ইনকম টেক্স ঈ-ফাইলিং ৱেবসাইট : **www.incometaxindiaefiling.gov.in**

iii. টি আর এ সী ঈ এস ৱেবসাইট : **www.tdscpc.gov.in** (লিঙ্কশিং **www.incometaxindia.gov.in** দসু য়েংবা য়াগনি)

**ক্রেদিটশিং মিস ওইবা থোক্লবদি, চেক তৌ/শোয়হনগনু :**

i. দিদক্টরদা খঙহল্লিবা পান চুমই হায়বা;

ii. দিদক্টরনা ছোর্সতা দিদক্ট তৌখিবা টেক্স দিপোজিট তৌরে হায়বা:

iii. দিদক্টরনা অচুম্বা পানগা লোয়ননা ক্বার্টরলি টি দি এস/টি সি এস ষ্টেটমেন্ট অপলোদ তৌরে হায়বা:

iv. তঙাইফদ্রবদি টি আর এ সী ঈ এসকী "টেক্সপেয়র গ্রিভান্স মোদ্যুল" দা পেন্দবা থাঙ্গৎলু

davp15401/13/0093/1718

www.incometaxindia.gov.in
www.cleanmoney.gov.in

@IncomeTaxIndia

দাউনলোদ তৌ : "আইকর সেটু" টেক্সপেয়র্স সার্ভিসশিং মোদ্যুল অমসুং মোবাইল এপ্লিকেসন

Aaykar Setu

ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট

সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ দাইরেক্ট টেক্সেস